# ঙাঙোম দিঙ্কুগী অনা লায়েংগীদমক বোক্সর বিজেন্দর সিংহ অমসুং মনোজ কুমারনা ফন্দ খোমজিনবদা মতেং পাঙখ্রে




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বোক্সর বিজেন্দর সিংহ অমসুং মনোজ কুমারনা লিভর কেন্সর নাদুনা লৈরিবা মণিপুরগী ঙাঙোম দিঙ্কুগী অনা লায়েংদা মতেং ওইনবা শেল খোমজিনবদা মতেং পাঙখ্রে।

এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট ঙাঙোম দিঙ্কুনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা মহাক্কী অনা লায়েংগীদমক মতেং নীরকপদগী ঙরাং যুনিয়ন স্পির্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা ৱারী শান্নবা লৈখ্রবনি। দিল্লিদা লায়েংনবগীদমক থা অসিগী ২৫দা ঙাঙোম দিঙ্কু এয়র এম্বুলেন্সতা ইম্ফাল থাদোক্কদৌরি।

ইন্দিয়াগী প্রোফেস্নেল বোক্সর অমা ওইনা মমিং লৈরবা বিজেন্দর সিংহ অমসুং মনোজ কুমারনা দিঙ্কুগী লায়েংবা অদুদা মতেং ওইননবা অতোপ্পা বোক্সরশিং অমদি কোচশিংগা ৱাটচঅপ গ্রুপ্তা পাউ ফাওনদুনা লুপা লাখ ১ খোমগৎপা ঙম্লে হায়রি। হায়রিবা শেনফম অসি দিঙ্কুগী বেঙ্ক একাউন্টতা চঙহনখ্রেসু হায়রি।

মনোজনা ৱাটচঅপ গ্রুপ্তা ফোঙদোক্লুবদগী অতোপ্পা বোক্সরশিং অমদি কোচ কয়ানসু শেলগী মতেং পীনরকপনি। শেল খোমজিনবগী থবক অদু ঙরাংদগী হৌখিবনি। শেলগী মতেং পীরকপশিং অদু লুপা ১০০০ দগী হৌরগা ২৫,০০০ ফাওবা পীরকপা য়াওখি।

ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক্তা মেদল ফংবা ঙমখিবা অমত্তা ওইরবা নুপা বোক্সর ওইরিবা অদুগা হৌজিক্কা প্রোফেস্নেল বোক্সর ওইরিবা বিজেন্দর সিংহনা ফোঙদোরকপদা কনাগুম্বা খরনা লুপা ১১,০০০ পীরকপা য়াওখি। খরা অমনা লুপা ৫০০০ পীরকপা য়াওখি। অদুগা মহাক্কী মায়কৈদগী লুপা ২৫,০০০ মতেং পাঙখি হায়রি।

বিজেন্দরনা মখা তাখিবদা ঙাঙোম দিঙ্কু ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সরশিংগী ফিদম্নফম ওইরবা আইকোন অমনি। মহাক নুমিৎ ১৪নিগী মমাঙদা দিল্লিদা রেদিএসন থেরাপি তৌগদবা অদু লোকদাউননা মরম ওইরগা চৎপা ঙমদনা লাকখি। মহাকপু লায়েংলিবা ফিজিসিয়ননা দিঙ্কু অমদি ইমুং মনুংনা মখাদা গাড়ি অমা ৱাইরগা চৎনবগী ৱাফম পুথোকপা অদু য়াখিদবদগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মতেং নীরকপনি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দিঙ্কুনা দিল্লি য়ৌনবা এয়র এম্বুলেন্স অমা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫দা চৎলগনি হায়রি।

# ইন্দিয়াদা অথুবদা ক্রিকেট শান্নবা হৌবগী ৱাফম অমত্তা লৈতে : বি সী সী আই প্রসিদেন্ট সৌরব গঙ্গুলি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
অথুবদা ইন্দিয়াদা ক্রিকেট শান্নবা হৌবগী ৱাফম অমত্তা লৈতে হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)গী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সৌরব গঙ্গুলিনা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মালেমগী ওইনা শান্নবগী হিরম খুদিংমক অথিংবা লৈখ্রবা মতুং মফম খরদা ভাবোক য়াওদনা শান্নবা খরা য়াওরিবা অসিগী মতাংদা মরু ওইনা য়ুরোপকী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিং শান্নবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্নরক্লি।

মার্চ থাগী ২৯দগী হৌজিগনি হায়না তৌরম্বা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০ য়ৈথোকখ্রবনি। ইন্দিয়াদা লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্ননবা লোকদাউন থম্লকপা মরম্না শান্নবগী লম খক্তা নত্তনা অতোপ্পা ইভেন্টশিংসু য়ৈথোকপা অমদি তোকপা য়াওখ্রবনি।

মার্চ ২৪দগী এপ্রিল ২০ ফাওবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন থমখ্রবা মতুং মখা তানা লোকদাউন অসি মে ৩ ফাওবা অমুক শাংদোকখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা যুম্বু ওইদুনা চহীসিগী দিসেম্বর থাদা আই সী সী টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা অদুসু চীংননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ৱর্ল্ড কপ অদু ষ্টেদিয়ম অমখক্তা শান্নবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি।

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা পীরিবা চৈথেং অসি লাকশিন্দ্রিবা ফাওবা অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীয়াম পুনবা য়াবা থবক থৌরমশিং হৌবা য়ারে হায়বগী এদভাইজরি অমা লাক্ত্রিবা ফাওবা বি সী সী আইগী মায়কৈদগী ৱারেপ অমত্তা লৌখিরোই। হকশেলননা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমদি অহানবদা লৌখৎকদবা খোঙথাংনি হায়খি।

জর্মনিদা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট বুন্দেসলিগা ভোবোক য়াওদবা ষ্টেদিয়মদা হৌরগনি হায়বগী-ৱাফম অমা লাকপা অদুদা গঙ্গুলিনা শেংদোক্লদুনা ইন্দিয়া অমসুং জর্মিনিগী মরক্তা খেন্না কয়া লৈরি। মীওইবগী পুন্সিদা শোইবা য়াবা লৈরিঙৈদা শান্নবগী ৱাফম পুখৎপা চুলোই। ইন্দিয়াদা অথুবদা ক্রিকেট শান্নবা হৌবগী ৱাফম লৈতে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনননা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুবু 'আই এম বেদমিন্টন' কেম্পেইনগী এম্বেসেদর অমা ওইনা খনখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
বেদমিন্টন মশান্নগী মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা লুপ অমা ওইরিবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসননা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন পি ভি সিন্ধুবু 'আই এম বেদমিন্টন' কেম্পেইনগীদমক এম্বেসেদর অমা ওইনা খনখ্রে।

কেম্পেইন অসিনা শান্নরোয়শিংদা বেদমিন্টন মশান্নাবু পামজবা অমদি থকসি কাসি লৈবা মশান্না অমা ওইননবা অশেংবা অমদি হুরান চিন্থি য়াওদবা মশান্না অমা ওইনবা হোৎনগদৌরিবনি।

ওলিম্পিক্কীসু সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবী পি ভি সিন্ধুনা পুকচেল শেংবা অমদি হুরান চিন্থি য়াওদবা হায়বা অসি বেদমিন্টন মশান্নবা খক্তা নত্তনা অতোপ্পা স্পোর্টস দিসিপ্লিন খুদিংমক্তসু তঙাইফদে হায়খি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবী -ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন সিন্ধুনা অম্বেসেদর অমা ওইনা অতোপ্পা শান্নরোয় কয়াদা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী কেম্পেইন অদু শুংশোই শোইদনা য়ৌহনবা ঙমগনি হায়রি।

সিন্ধুনা মখা তানা ফোঙদোকখিকবদা মশান্না অমা থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নরবা মতুং অরানবা অমদি হুরান চিন্থি য়াওদ্রবা মতমদতা শান্নরোয় অমনা মহাক্কী শান্নবা অদু লোইরবা মতুং ৱাখলদা চরাংনবা লৈতবা অমদি পেন্থোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল পীগনি। মহাক্কী ওইনসু খোঙথাং অসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি হায়খি।

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসননা চহী ৫গী মমাঙদগী ইন্টিগ্রিটি য়ুনিট শেমখ্রবনি। হন্দক্কী কেম্পোইন অসিনা ইন্দিগ্রিতিগী ওইবা খোঙজংদা হান্না লম্বা পাঙ্গল অদুদগী অহেনবা কয়া অমা হাপচিনবা ঙম্লগনি হায়রি।

পি ভি সিন্ধু খক্তানত্তনা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী কেম্পেইন ওইরিবা 'আই এম বেদমিন্টন' অসিগীদমক খনখ্রবা অতোপ্পা এম্বেসেদরশিং অদুদি চাইনাদগী ঝেং সিৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিয়োং, কনাদাগী মিসেল লি, ইংলেন্দগী জেক সেফর্দ, জর্মনিগী বালিস্কা নোল্লাগ, লৈবাক অসিমক্কী এথলেট কম্মিসন চেয়র ওইরিবা মার্ক জ্বৈল্লর অমসুং হোংকোংগী চান হো য়োনি।

মশান্না অসিগী ইন্টিগ্রিটিগী মপুং ফাবা শক্তম অমা মালেম শীনবা থুংনা এম্বেসেদর অসিগী খুথাংদা শান্নরোয় পুম্নমক্তা বি দব্লীয়ু এফকী পাউজেল অসি য়ৌহনগদৌরিবনি হায়না ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকখিবা অহানবা কেম্পেইন অদুদা শরুক য়াখিবশিং অদুদি ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল, চাইনাগী সেন লোং, জপানগী মিসাকি মাটসুমোটো অমদি অকায়া তকাহাসি, দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেন, ইন্দোনেসিয়াগী হেন্দ্রা সেতিয়াৱান অমসুং খৃষ্টিনা পেদরসননি।

# মেগনস কার্লসন ওনলাইন চেছতা ইয়ান নেপোমনিয়াচি অমসুং ফাবিয়ানো করোনা মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীখ্রে

Magnus Carlsen INVITATIONAL Online Chess Tournament




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা শান্নবগী লমদা অচৌবা চৈথেং পীরিঙৈ ওনলাইনগী খুথাংদা নোর্ৱেগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান চেছ শান্নরোয় মেগনস কার্লসননা মহাক্কী মমিংদা পাঙথোকপা ইনভাইটেস্নেল চেছ টুর্নামেন্টকী মরিশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচি অমসুং য়ু এস এগী গ্রান্দ মাষ্টর ফাবিয়ানো করোনানা মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দদা রসিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচি অমসুং ফ্রান্সকী গ্রান্দ মাষ্টর মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেপকা লম্বা তৌনখি। শান্নরোয় ৮না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৮দগী হৌরগা ৩০ ফাওবা দবল রাউন্দ রোবিনদা লম্বা তৌনরবা মতুং মকোক থোংবা শান্নবা মরিনা সেমিফাইনেল নোকআউট শান্নগদৌরিবনি।

নেপোমনিয়াচিনা অঙৌবা মচু পায়রগা মেক্সিম লাগ্রেপকা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা গেম অদু লাগ্রেপনা থোইখি। অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম দ্রো চৎলবা মতুং নেপোমনিয়াচিনা ৪শুবা গেম অদু অমুবা মচু পায়রগা মায় পাকপদগী রাউন্দ অমদা গেম ৪/৪গী লম্বা অদুদা শান্নরোয় অনীমক পোইন্ট ২-২দা লৈনখি। অদুবু টাইব্রেক মেচ অদুদা নেপোমনিয়াচিনা অমুবা মচু পায়রগা শান্নবদা লাগ্রেপবু থোইখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা চাইনাগী গ্রান্দ মাষ্টর দিং লিরেন অমসুং য়ু এস এগী গ্রান্দ মাষ্টর ফাবিয়ানো করোনাগা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম অনী দ্রো চৎখি। অহুমশুবা গেম অদু চাইনাগী দিং লিরেননা অঙৌবা মচু পায়রগা লম্বা তৌনরকপদা করোনাবু মায়থীবা পীখি।

পোইন্ট ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈরবা মতুং মরিশুবা গেমদা য়ু এস এগী গ্রান্দ মাষ্টর ফাবিয়ানো করোনানা মায় পাকপগী পোইন্ট ২-২ মান্নদুনা লৈবদগী মখোয় অনীসু মখা তানা তাইব্রেক শান্নখি। মদুদা য়ু এস এগী শান্নরোয় ফাবিয়ানো কারোনানা অমুবা মচু পায়দুনা শান্নরকপদা মায় পাকপা ঙম্বদগী মরিশুবা রাউন্দ অদু মহাক্না চাইনাগী দিং লিরেনবু গেম ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

রাউন্দ মরি লোইশিল্লকপদা নোরৱেগী মেগনস কার্লসন অমসুং য়ু এস এগী ফাবিয়ানো করোনানা পোইন্ট ৫/৫ ফংদুনা মাংজিল থারি। ফ্রান্সকী মেক্সিম লাগ্রেপ য়ু এস এগী হিকারু নকামুরা অমসুং চাইনাগী দিংলিরেন পোইন্ট ৪ ফংমিন্নরি। রসিয়াগী ইয়ন নেপোমনিয়াচি পোইন্ট ২ ফংলি। লোয়ননা ইরানগী আলিরিজা ফিরোজা অমসুং নেদর্লেন্দসকী অনিস গিরি পোইন্ট অমত্তা ফংদ্রি।

# জুদো শান্নরোয় অমনা য়ুমদা চথবা য়াবা শাজেল কয়া লৈ : দেবেন



থাংজম অরুনজিৎ
ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস) :
কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মালেমগী মফম অয়াম্বদা স্পোর্টসকী এক্টিভিটিসশিং লেপখ্রে। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা শান্না খোৎনবদা খ্বাইদগী মাংজিল থারিবা ষ্টেট হায়রগদি মণিপুরনি হায়না মীয়াম্না খঙনরিবনি। পীক্লবা ষ্টেট অসিদগী শক্নাইরবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপগীদমক ইন্দিয়াদা পাৱরহাউস ওফ স্পোর্টস হায়না খঙনরি। লোকদাউননা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিদসু শান্ন-খোৎনবগী থবক পুম্নমক লেপখ্রবসু শান্নরোয়শিংগী লৈরিবা ষ্টেমিনা, ফিটনেস অদু হন্দনবগীদমক য়ুমদা প্রেক্টিস তৌবা মথৌ তাই।

পাউচে অসিদা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী জুদো কোচ (থার্দ দান ব্লেক বেল্ট) ওইনা থৌ পুরিবা দেবেন মোইরাংথেমনা লোকদাউন মনুংদা জুদোগী শান্নরোয়শিংনা য়ুমদা লৈরগা পাঙথোকপা য়াবা শাজেল কয়াগী মরমদা ফোঙদোরক্লি।

প্লেয়র অমগী অৱাংবা থাক্তা ফিটনেসকী লেভেল লৈজরম্লবসু হান্নগী চাং নাইবা ৱার্কআউট তোক্লবদি পর্ফোমেন্স হন্থনবগী মচাক ওই। স্কিলদা ফনা য়াম্না ফজবা প্লেয়র ওইরবসু স্কিল অদু এপ্লাই তৌনবা কন্দিস্নিং লেভেল য়াওদ্রবদি মায় পাকপা ওইদে। হায়রিবা প্রি রিক্যুইজিৎ পর্ফোমেন্স ফেক্টরশিং অদুদি ষ্ট্রেঙ্ক, এন্দ্যুরেন্স, স্পিদ, ফ্লেক্সিবিলিটি অমসুং এজিলিটিশিং পনবা য়াই। য়ুমদা লৈরগা মপান থোক্তনা প্লেয়র অমনা তৌবা য়াবশিং অদুগী মতাংদা মহাক্না ট্রেনিং মখল কয়া অমগী মতাংদা থল্লকখি।

ষ্ট্রেঙ্ক ট্রেনিংদা জুদো প্লেয়রশিংগী ওইনা পুল অপ/চীন অপ জুদো দ্রেসকী মতেংনা তৌবা য়াই। জুদোগী ফুরিৎতু বার অমদা লেংশনবা নত্রগা য়াল্লগা পুল অপ তৌবা য়াই। ঐখোয়না বার চীংবা হায়নসু খঙনৈ। জুদো হায়বা মশান্না অসি ওপোনেন্টগী জেকেটতা পায়রগা শান্নবা মশান্না অমনি। মরম অদুনা ইচম চমনা পুল অপ তৌবদগী জেকেটতা পায়রগা তৌবনা গ্রিপ্পিং পাৱর হেনগৎহল্লি অমসুং অপ্পর বোদি পার্টশিংসু মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। শাজেল অসিগী কান্নবা পীরিবা মসলশিং অদুদি, ফোরঅর্মস, লেতিসিমস দোর্সি, রোম্বোইদ, পোষ্টিরিয়র দেলতোইদ অমসুং বাইসেপনি।

জুদো মশান্নদা খোংগী মপাঙ্গল কনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা পর্ফোমেন্স ফেক্টর অমনি। খোং থম্নবগীদমক ষ্টেন্দিং বোর্দ জম্প, স্কৱাটিং এগেনষ্ট বোদি ৱেথ, স্কৱাটিং ৱিথ রেজিষ্টেন্স অমসুং ষ্টেপিং ওন বোক্সনচিংবা এক্সরসাইসশিং তৌবা য়াই। মসিনা কানবা মসলশিং অদুদি- এদদক্টর্স, হামষ্ট্রিং, ক্বাদ্রিসেপ্স, গ্লুটস অমসুং কাবসনি।

জুদোকা অমগী পুক্কী মসলশিং কলহনবা মথৌ তাই। মসিগীদমক তৌবা য়াবা এক্সরসাইসশিংদি সিট অপ ৱিথআউট পার্টনর, সিট অপ ৱিথ পার্টনর, প্লেঙ্ক, সাইদ প্লেঙ্ক, লেগ রেজ এন্দ রিছ ক্লাপ সাইদ টু সাইদ ক্রঞ্চনি হায়না ফোঙদোরকখি।

জুদোদা মস্কুলর ইন্দ্যুরেন্স অমসুং কার্দিওমাস্কুলর ইন্দ্যুরেন্স তঙাইফদে। অমরোমদা এরোবিক এন্দ এনিরোবিক ইন্দ্যুরেন্স হায়নসু খঙনৈ। য়ুমদা লৈনা তৌবা য়াবা ইন্দুরেন্স ট্রেনিংগী মখলদি মস্কুলর ইন্দুরেন্স ট্রেনিং ওইগনি।

সর্কুইট ট্রেনিং মখলসিদা ষ্টেসন ৭ লৈগনি। মখোয়শিং অদুদি-জেক্কিং ওন স্পোট (নী হায়), সাইদ টচিং, সিট অপ , রিবর্স সিট অপ, পুস অপ, উচি কোমি (সেদো) অমসুং বুরপি জম্পনি। এক্সরসাইস খুদিংমক ১০ রক রিপিটেসন ওইগনি অদুগা সেদস ৫ ওইগনি।

সেদো উচি কোমি অমসুং রব্বর পুল্লিং এক্সরসাইস মখল অসি পার্টনর য়াওদনা প্লেয়র অমনা জুদোগী থ্রোৱিং টেক্নিকশিংবু হঞ্জিন হঞ্জিন ফ্রিদা চোংবদুনি। টেক্নিক অমদা ১৫রক হঞ্জিনবা য়াই অদুগা সেটনা ৫ ওইগদবনি। হায়রিবা এক্সরসাইসসিদা রব্বর ট্যুবকী মতেংনা উরি কোমী তৌবা য়াই।

কোচ দেবেননা মখা তারদুনা জুদোগী শান্নরোয় অমনা স্পিদ এব্লিলিটি লৈবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা পর্ফোমেন্স ফেক্টর অমনি। স্পিদ এব্লিলিটি হেনগৎনবা তৌবা য়াবশিং অদুদি মিনট ৩০দা স্প্রিন্ট রাউন্দ ৬, স্পিদ সেদো উচি কোমি ১৫রক্কী সেট ৮ তৌবা য়াই।

মশা মশাগী হৈনজবা টেক্নিক খল্লগা রব্বর ট্যুবকী মতেংনা স্পিদ উচি কোমি তৌবা য়াই। হায়রিবা এক্সরসাইসশিংসি ৱার্কআউট তৌরবগী তুংদা শান্নরোয়শিংনা ইন্টর্নেটকী মতেংদগী তোঙান-তোঙানবা চেম্পিনয়শিপশিং, গেমশিংগী জুদোগী বাউট য়েংবা য়াই। মরুওইনা নেসনল অমদি ইন্টর্নেসনলগী ইশা ইশাগী ৱেথ গ্রুপ্তা লৈবা ফাইটরশিংগী বাউট য়েংবগা লোয়ননা মখোয় মখোয়গী অশোনবা অমসুং অকনবা খঙদোকপা য়াইনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

# ওলিম্পিক ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী মেম্বর কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরে

টোকিও, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
চহীসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্লগা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী ১ য়ৈথোক্লগা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮দা লোইনবা শীল্লিবা ওলিম্পিক ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী ষ্টাফ অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরে হায়রি।

টোকিওগী হারুমি হায়না খঙনবা ওলিম্পিক ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী হেদ ক্বার্টরদা থবক তৌবা মশাগী চহী ৩০ হেল্লবা নুপা অদু হান্নদগী ময়ুমদা ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈরকখিবনি হায়রি। কম্মিতি অসিনা ওলিম্পিক্সকীদমক মীওই ৩৫০০ রোম থবক শীজিন্নরি। হৌখিবা চয়োল খরদগী শীন্মী চাদা ৯০দি ময়ুম ময়ুমদগী থবক তৌনবা খঙহনবা লৈখ্রনি। পোজিটিব ওইরবা নুপা অদুনা থবক তৌরম্বা মফম অদু দিসইনফেক্ট তৌগনি। অদুগা অনকপদা থবক শুরিবশিং অদুসু ময়ুমদা লৈনবা খঙহল্লগনি হায়রি।

# রোজর ফেদররনা এ টি পি অমসুং দব্লীয়ু টি এ অমত্তা ওইনা পুনশিনবা পাম্লি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২০ লৌবা ঙম্লবা মমিং লৈরবা টেন্নিস শান্নরোয় রোজর ফেদররনা হৌজিক হৌজিক নুপাগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা লুপ ওইরিবা এ টি পি অমদি নুপীগী ওইনা লৈরিবা দব্লীয়ু টি এ তোঙান-তোঙানবগী মহুৎতা পুনশিনবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টদা মহাকপু পামজবা ভাবোকশিংনা হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা অশোনবা লুপ অনী পুনশিন্দুনা হেন্না মপাঙ্গল লৈবা লুপ অমা ওইহল্লগা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা পীরিবা চৈথেংশিং অসি লান্থেংবদা কান্নবা ওইরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

এ টি পিগী তোঙানবা রেঙ্কিং সিষ্টেমগুম্না দব্লীয়ু টি এগীসু লৈ। তোঙান-তোঙানবা লোগো, ৱেবসাইট অমদি তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্ট কেটগরি কয়া খাইদোক্তুনা লৈরি। পুনশিনবগী থবক অসি মতম কুইনগী মমাঙদগী পায়খৎলম্বা য়াবনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯না শান্নরোয়শিংদা অৱাবা পীরিবা অসি লান্থেংননবা পুনশিনবা মতম য়ৌরে হায়না ফোঙদোরকপনি।

HOME DELIVERY SERVICE FOR CONST. MATERIALS
[illegible] / HOUSING LOAN AVAILABLE
(Upto Rs 50 LKHS 12% P/a)
মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা য়ূম তশেংনা শানীংবা অমসুং ইনকম মতিক চানা লাকপা মীওইশিংগী ওইনা হাওজিং লোন পীজরি। Home Repairing, Renovation, Modular Kitchen, Grazings অমসুং Floor Repairing নচিংবগী লোনগী খুদোংচাবসু লৈগনি। Tiles, Granites, Marbles, Sand অমসুং Cements কী Free Home Delivery Service সু ফংবীগনি।
Mobile Nos. # 8787727402
# 8787530036
Please Contact:- L.G. Construction & Materials Company Pvt. Ltd.
Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West, Manipur
HL/B/6099/23 April to ...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com